হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, জুলাই ১১, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ১০৬শুবা মশীং

## তমুদা টামিল ২গী থৌদোক

### চপ চাবা মরম খঙদোক্কদবনি

জুলাই ৫, ২০২২দা ম্যান্মারগী তমুগী ৱার্দ নম্বর ১০দা লৈবা বুধিষ্টকী লাইশঙ অমগী মনাক্তা টামিল নহা ২ নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবা থৌদোক্তু করিদগী থোকখ্রিবনো? থৌদোক্তু অমম্বা নুমিদাং অমসুং অহিংগী মীচিক-মীরাওখোল তাদবা, মী চিকপা তাঞ্জাদা থোকখিবা নত্তে। নুমিৎয়ুংবদগী খজিক্তং লৈথরকপা নুংথিল পোবোপ্তা থোকখিবনি। থৌদোক্তুগী রিপোর্টতা মখোয় অনীবু হাৎলম্লিবা মীওইশিংদুনা মখোয়বু শিননবা নোংমৈনা কাপত্রিঙৈদা ফূবা চৈবা তৌরম্মী হায়বা অমসু য়াওরি। মসিনা অচুম্বা ওইরগদি নোংমৈ পায়বশিং অদুনা মখোয় অনীবু নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎত্রিঙৈদা মখোয়গা হকথেংনহৌই হায়বনি। মখোয়গী ইমুংগী মীওইশিংনা অমসুং মোরেগী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনা মখোয় অনী মীচমনি, মোরে টাউনদা ওটো রিক্সো থৌরগা ময়ূম পুজ রিবা ঙাক্তনি হায়বনি। ৱাফমসি অরানবা ওইরম্লোই, অচুম্বা-অশেংবসু শোয়দনা ওইরমগনি। মসি ওইরগদি চহী কয়াগী মমাঙদগী ম্যান্মার অমসুং মোরেগী নুপী অমসুং অঙাংশিং য়াওনা অমনা অমগী ঙমখে লানশিন্নদুনা পোৎ চৈ য়োন্থোক য়োনশিন তৌরবা য়াওনা অতে থবক থৌরমশিং চৎন-থোক্লা তৌনরিঙৈগী চৈরক্তা মোরেগী মীচম অনীবু ম্যান্মার মনুং (তমু) দা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাত্তোরক্কদ্রা? নোংমৈনা কাপত্রিঙৈদা হান্নসু ফূ-চৈরম্মী হায়বনিনা থৌদোক্তু থোকহল্লম্লিবা নোংমৈ পায়বশিং অদুনা মখোয় অনীবু মশক মুন্না খঙলগা থোকহল্লম্বা থৌদোক শোয়দনা ওইফম থোকই। মসি হায় হায়দুনা লৈখিদ্রবা নহা অনীদুদা মরাল শীবগী ৱাফম নত্তে। মখোয় অনীবু লাল্লে হায়বা নত্তে। লৈখিদ্রবা মখোয় অনী অমুক হল্লক্তুনা ৱাফংনবা য়াররোই হায়দুনা হেক্তা হায়জিনবসু নত্তে। ৱাফমশিং অসি পোপথোরকপগী চপ চাবা মরম হায়ববু মখোয় অনীবু তমুদা করিগীদমক নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রিবনো হায়বসিগী অশেংবা মরমশিং খঙদোক্লবগীদমক্তনি।

অদুগা ৱাফমসিগা মরী লৈননা চোংথোরক্লিবা ৱাহংশিংনা মখোয় অনীনা থৌদোক্তু থোক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা ম্যান্মারগী ঙমখে অমুক্তা লানশিল্লুদব্রা? তমুদা অমুক্তা চংলুদ্রিবরা? মখোয়গা তিন্ন-খঙনদুনা মমান্নবা ওইনা তিন্নে হায়রিবা ম্যান্মার মচাদুনা করম্বা মখলগী মীওইনো? মিলিটরি জুন্টাবু য়ানীংবা অমসুং শৌগৎপা মীওইরা নৎত্রগা ম্যান্মারগী লান্মীগী লৈঙাক্লোন পায়রিবা কাঙবুগী মায়োক্তা লৈবা মীওইরা? মমান্নবা অদুগী মনাক তম্না লাক্কনি হায়বগী পাউ মখোয়বু হাৎলম্লিবা মীওইশিংদুনা মাঙজৌননা খঙখিব্রা নৎত্রগা খুজিন-খূৎনাম্থোক্তগী খুদক্তা মপা চানরুদুনা থেঙ্গাইনখিবা মওইরিদ্রা? থৌদোক্তুগী মতাংদা লৈখাই তানা খঙদোক্লবগীদমক ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফংননবা থিদোকপা মথৌ তাগনি খল্লি। লৈবাকসিগী, মণিপুরগী, মোরেগী মীওইশিং ম্যান্মারগী ঙমখে মনুংদা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবা অমসুং অতোপ্পা পাম্বৈশিং শীজিন্নদুনা হাৎখিবগী থৌদোক হন্দক্কী থৱায় মাঙহনখিবমক নৎত্রবসু ম্যান্মার ওথোরিটিনা ফাজিল্লগা মখোয়গী কৈশুমশঙদা থম্বসু য়াওখ্রে। হৌজিক ফাওবা লৈবসু য়াওরি। ম্যান্মারগী মীওইশিংসু মরম অমা নৎত্রগা অমা লৈরকপদগী ইন্দিয়ন ওথোরিটিনা ফাজিল্লগা থম্বসু য়াওরি। তমুগী থৌদোকসি থোক্ত্রিঙৈ নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা চুড়াচান্দপুরগী মফম অনীদগী নুপী অঙাং য়াওনা মীওই ৮০ ফাগৎপগী থৌদোক লৈখি। হোয়, থৌদোক অনীসি অমগা অমগা মরী লৈনরম্বা য়াই, লৈনরমদবসু য়াই। পূম্নমক থৌদোকশিং অসিগী মতাংদা কূপ্না থিজিন-হুমজিল্লগা খঙগদবনি। অদুবু ম্যান্মারদি হৌজিক লৈবাকসিগী লৈঙাক পায়রিবা লান্মীশিংগী মথক্তা অকনবা লান হৌরকপদগী মায়োক্নরক্লিবনা থরেক-থরেক তৌদবনি। অদুক্কী মতিক চেকশিনবা লৈবাক অমা ওইরিবনি। অদুগা হন্দক্কী থৌদোকসিদদি লৈখিদ্রবা মীওই অনীদুগী হকচাংশিং ফাওবা পীথোরকখিদবনি। থৌদোকসি তরাইনা লৌবা চুম্লোই। মীচম ওইরবসু মনুংদা কনা খঙহন্দনা কৈদৌরম্বা লৈবগে হায়বদুসু থিদোক্তুনা খঙদোকপা চুমগনি। নুমিত্তুদা তমুদা চংখিবা মোরেরোমদগী মীওইশিং মখোয় ২ খক্তা নত্তে। অতৈদা খূৎ থারক্ত্রগা মখোয়দা অতম্মনা করম্বা কাঙবুনা করিগীদমক খূৎ থারকপনো হায়বদু খঙদোকপা ফৈ।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৫

১) **“তনৌ তনৌবী”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) **“দ গাইদ: লমজিংবা”** হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা ইবা করি লাইরিক্তগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?

৩) **“শাবন য়ূম্ফম”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৪) **“শোল্লবা কোকসিদা পুবদি ঙমজদা/পেনবা নাইদনা থকচিল্লুরে/নঙগী মায়থোঙগী কল্লবা য়ুগী নেশা।/অহিং চূপ্পা খাঙজে চৈনা, নীংজরুবগী/হন্দোক্তুনা/লাঞ্জখিদবা চীনসিদগী/নঙগী নমিং/লেপ্পা লৈতা।”** মণিপুরগী শক্লাইরবা কবি অমগী শৈরেংনি। কবি অসি কনানো, মহাক্কী করম্বা লাইরিক্তা য়াওবা করি মমিং থোনবা শৈরেংনো?

৫) **“নূর বেগম”** হায়বসি কনানা ইবা করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## লৌমীশিংগী কাখল

# লৌউ-শিংউগী ৱাহং পাউখুম

পাউখুম পীবিরিবা ঃ
**ডা. এম থোইথোই সিংহ**

**Q.** মনা-মশিং থারিবা মফমদা কাকফৈ পাত্তুক্লনা কুম খুদিংগী লৈবনা মরম ওইদুনা পান্বীশিং য়েংশিনবা ঙমদনা মাঙলে। করম তৌরগা ঙাকথোক্কদগে খঙজনীংই।

**- কে ঐচ কুল্লচন্দ্র, হৈনৌবোক**

☞ কোপ্পর সলফেট গ্রাম ৩০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা কাপথোকসি। কাকফৈ মশীং হন্থহনবতা নত্তনা পান্বীশিংদা তারিবা কোকফাই অমসুং বেক্টরিয়ানা থোকহনবা লায়নাশিংসু হন্থখ্রগনি।

**Q.** লৌশেন অমখক্কী লমনি, মতম মতমগী য়ূমগী চান্নবা এঞ্জাং থাবা নত্তনা থোইদোকপা শীজিন্নদে, ঈশিং মপালনি শেন্থোক খরা লৈনবা মীয়াম্না পাম্নবা লফোই য়ানবা লফু খরা ওইনা থাগে হায়না খল্লি, করম্বা ভেরাইটিনা চান্নগনি অদুগা চারা কদাইদগী ফংবা য়াই।

মরু ওইনা মৈতৈগী কুম্মৈ নিংঙোল চাক্কৌবা নৎত্রগা চৈরাওবগুম্বা মতমদা য়োনবা য়াগদবা চানবা ভেরাইটিনা হেন্না পামজৈ। লফু থাবসি সেবা য়াম্না চংগদ্রা অমুক্তং তাকপীরকউ।

**-টি ঐচ প্রেমকুমার, থৌবাল**

☞ লফু থাবা ৱাদে; শেন্নবদা খূৎ চঙবা পান্বী নত্তে। অদুবু লৌশেন অমা হায়বসি য়াম্না পীকপা লমনি। লফু থারগা শেন্থোক লৈনবা হোৎনবা চান্নদে। মরোই-মপাং নত্তনা এঞ্জাং নাপীগীদমক চারা পুথোকপনা হেন্না চান্নগনি।

লফু থাবীগে হায়রবদি অনেম্বা মখল গ্রান্দ নাইনে (Grand Naine) থাবা য়াই। হোর্টিকলচর লোয়শঙদা ফংই। থাবদগী লৌউ ককপা ফাওবদা থা ১১-১৪ মুক চংই। চাংচত্তা পান্বী অমনা কিলো ২০দি পুথোকই।

লৌশেন অমদা পান্বী ১৫০ মুক্তগী হেন্না থাবা য়ারোই। হেন্না কুংহনগে; হাই দেন্সিটি প্লান্টেসন তৌগে হায়রবদি থাদ্রিঙৈদা অখঙবা মীওই অমগা হান্না তান্নবীয়ু। লমদমসিদা হান্নদগী পাম্নরল্লবা লাই তীনগী ওইনসু শীজিন্নবা মৈতৈ হৈ হায়না খঙনবদু থাগে হায়রগনা লোকল কলেক্সন তৌবা তাই।

থাবদগী লৌউ ককপা ফাওবদা চহী অমা মখায়মুক চঙই। ঈশিং অমসুং পান্বীগী মচিঞ্জাক মওং চুম্না পীরবদি পোথোক অদুম লৈহনবা য়াগনি।

**Q.** থা অমা ফারক্লবা ফৌনাশিংগী মতোন কংবা, অঙৌবা মরীক মরীক লৈবা অমসুং চাওদম থিনবা - ইঙেল্লাই চুবী হায়না খঙনবা তীলনাদু য়াম্না তারে। করি হীদাক কাপকদগে হায়বীরকউ।

**- ইবোমচা মৈনম, খুম্বোং**

☞ স্পীদ মিলিলিটর ৩০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা ফৌনাশিং চোৎনবা কাপথোকপীয়ু।

শঙম অমা চাওবা লৌফমদা হীদাক মিলিলিটর ১৫০ চংগনি। হীদাক কাপত্রিঙৈ মরকসিদা শাফু কনবা নোং পুং অমমুক্তং তাখ্রবদি তীলশিংগী মশীং য়াম্না হন্থখিগনি। হীদাক কাপত্রবসু য়াগনি।

**Q.** লৌরী ময়াদা হৌবা নুমিৎ ২০নি ফাদ্রিবা ফৌদা উতোং তাবা য়াওরে। হীদাক কাপথোকহৌদ্রবদি হেনজিল্লক্কনি। হীদাক অমত্তা হায়বীরকউ । মতম চানা কাপথোকচহৌগে।

**- লৌরেম্বম মোধু, থৌবাল**

☞ Thiamethoxam 25% গ্রাম মঙা ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা কাপথোকপীয়ু। ফৌ পীক্লিবনিনা হীদাক গ্রাম ২০দগী হেন্না চঙলোই।

*এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ*
**[ফার্মরশিংনা লৌউ-শিংউগা মরী লৈননা, ঙা, শা-ষণ য়োকপনচিংবগা মরী লৈনবা ৱাহংশিং চিঠি ইরগা থাবীরকউ।]**
**চিঠি থারকফম**
**এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ**
**সেগা রোদ থৌদা ভাবোক লৈকায় ইম্ফাল, ৭৯৫০০১**
**নৎত্রগা অদোম্না লৌউ শিংউবা, শা-ষণগা মরী লৈনবশিংগী মতাংদা খঙবিনিংবা লৈরবদি ঈ-মেল *hueiyenagri@gmail.com* দা চিঠি থাবিরক্তুনা হংবিরকপা য়াগনি।**

# নাপি হীদাক মখল য়াম্মী চেকশিন্না শীজিন্নসি

**- এস সুমঙ্গল -**

নাপি হীদাক মখল য়াম্মী, শীজিন্নবগী মতম, মওং অমদি মথৌ য়াম্না খেন্নে। মরম অসি লৈবনা শীজিন্নবদা য়াম্না চেকশিন্নীংঙাই ওই। চেকশিলহৌদ্রবদি তোংজবদগী মাঙজবনা হেনখিবা য়াই নৎত্রগনা হোৎনজমন পূম্বা অরেম্বা তাখিবসু য়াই।

নাপি হীদাক মখলশিং :- নাপি হীদাক্কী তোঙান তোঙানবা মথৌগী মতুংইন্না ১) সিলেক্টিভ (পান্বী খল্লগা হাৎপা), ২) নন সিলেক্টিভ (খন্দনা পান্বী পূম্নমক হাৎপা), ৩) সিষ্টেমিক (পান্বীগী মনুংদা চঙদুনা হাৎপা), ৪) কন্টেক্ট (পান্বীগী মপান থংবা মনা, মসানচিংবদা পাল্লগা হাৎপা), ৫) প্রি-ইমর্জেন্স (নাপিনা/পান্বীনা মতোন থোক্লকপদা হাৎপা), ৫) পোষ্ট-ইমর্জেন্স (নাপিনা হৌরবা মতুংদা হাৎপা) অসিনচিংবা। মখোয়গী মথৌশিং অসি য়াম্না মমুৎ তানা খঙবা হায়বসি য়াম্নমক তঙাইফদে। থমজরিবা নাপি হীদাকশিং অসি ফৌগী ওইনা থমজবনি।

চেকশিনৱা খরা : ১) প্রি নৎত্রগা পোষ্ট ইমর্জেন্স হায়রিবসি থারিবা পান্বীগী য়েংলগা হায়বা নত্তে, নাপিগী য়েংলগা হায়বনি। প্রি হায়বসিনা নাপিনা মতোন থোক্ত্রিঙৈ অদুগা পোষ্ট হায়বসিনা নাপিনা মতোন থোক্তুনা হৌরবা মতুং হায়বনি।

২) প্রি-ইমর্জেন্স খুদিংমক নন সিলেক্টিভ ওইফম থোকই। পান্বী খুদিংমক মতোন থোক্লকপা মতমদা মঙক কক্তুনা হাৎখিগনি। ফৌসু মতোন থোক্লকপদা হাৎখিগনি। ফৌ মতোন থোক্ত্রিঙৈদা চাইবা য়াদে। খুদম- সাথি (পাইরাজোসলফ্যুরোন ইথাইল), প্রিতিলাক্লোর, ব্যুতাক্লোর) পনবা য়াই।

৩) পাম্ফেল হুল্লবদি ফৌনা মতোন থোক্তুনা হৌরবা মতুং নাপিনা মতোন থোক্ত্রিঙৈদা চাইগনি। মসি ফৌ হুল্লবা মতুং নুমিৎ হুমনিগী মতুং ওইবগা লোয়ননা হাপ্তা অমগী মনুংদা চাইসি। হাপ্তা অমা হেল্লবদি নাপি খরা শোয়দনা মতোন থোকখ্রগনি হাৎপা ঙম্লরোই। অরিংবা ফৌ ওইরগনা হাপ্তা অমগী মনুংদা চাইসি। ফৌ হেক লিংবা মতুংদা অদুমক চাইবা য়ারে অদুবু মখোঙ চেৎত্রিবা ফৌ ওইবনা লিংবা মতুং নুমিৎ ৫-৬নি শুবদা চাইবনা হেন্না ফৈ। য়ারিবমখৈ নাপিনা মতোন থোক্ত্রিঙৈদা চাইসি।

৪) কনাগুম্বনা ফৌ লিংদ্রিঙৈ নৎত্রগা হুন্দ্রিঙৈদা চাইবা থেংনৈ। মসি কান্নবা ৱাৎলি। মরমদি হীদাক চাইখ্রবা মতুং নুমিৎ কয়ানি লৈরগা হুনবনো নৎত্রগা লিংবনো খঙদে। মতম অসিদা হুনবা ফৌ মতোন থোক্ত্রিবা ওইরগদি ফৌদু শোয়দনা মতোন থোক্লকপদা হাৎখ্রগনি। লোয়ননা ফৌ হুনবা চঙবদা লৈবাক মনুংদগী খোঙনা পুখৎলকপা লৈবাক্তা য়াওরকপা নাপি মরূশিং নাপি হীদাক্কী মথক্তা লৈখিবনা অদুমক হৌরক্কনি। অরিংবা ফৌদসু অদু মঙাই ফৌদি হাৎলোই নাপি খরদি হৌরক্কনি।

৫) অমুকসু মাঙজৌননা চাইবা মতমদা নাপি মরূদি লৈনুংদা মরোল মরোল লৈবনা অহুনবা ফৌদা মাঙজৌননা চাইখিবা নাপি হীদাক অদুগী ময়াকনা লোইখিদুনা মনুংদগী হৌরকপা নাপিগা খরা কোন্না হুন্দুনা হৌরক্লিবা ফৌগা অদুমক হৌমিন্নদুনা অৱাবা ওইগনি।

৬) পোষ্ট ইমর্জেন্স খুদিংমক সিলেক্টিভ ওইদে। সিলেক্টিভ হায়বদি পান্বী খল্লগা হাৎপা হায়বনি। খুদম ওইনা নাপিনা হাৎলগা ফৌনা হাৎতবা-ওলমিক্স, কাউলসিল, ২-৪দি পনবা য়াবা হীদাকশিংনি। ২-৪দিদি মনা পাকপা কাঙবুদং হাৎকনি। উরিজাক, কাকথ্রুম্নচিংবা হাত্তে। পান্বী খুদিংমক হাৎপা ঙম্বা গ্লাইফোসেট সিষ্টেমিক হায়বদি পান্বীগী সিষ্টেমদা চঙশিল্লগা মরা য়ৌনা হাৎপনি। পারাক্বেত কন্টেক্টনি। হায়বদি পান্বীগী সিষ্টম মনুংদা চঙদনা মনা অমদি অতৈ মসা মরেংদা পাল্লগা কংহনবনি। কোন্না অমুক হৌরক্কনি।

৭) তরুকশুবদা পল্লিবা হীদাক অনী অসি পোৎ থাদ্রিঙৈ মাঙজৌননা লৌফমদা হৌরিবা নাপীশিংদা চাইদুনা হাত্তোক্লগা লৈবাক্তা খোইজিন্দুনা হার ওইহনখিবা য়াই। য়ূমগী অকোয়বদা য়েনখা-য়েনখুন্দা হৌবা, লমহাং-লমপাক, লম্বী-সরক্তা হৌবা নাপি হাৎপদা শীজিন্নবা য়াই। গ্লাইফোসেত্তি ফার্মগী পল্লি, লৌফমগী লৌরিদা কাপ্লবদি লৈরাই নিংখাইগনি লৌরি পেত্থরক্কনি। কাপহন্নীংদে।

৮) পোষ্ট ইমর্জেন্স সিলেক্টিভ চাইবদা চেকশিনগদবা খরা লৈ। মেটসলফ্যুরোন মিথাইলগা ক্লোরিম্যুরোন ইথাইলগা পূন্না শাবা ওলমিক্স হায়রিবা হীদাক অসি মণিপুরদা গ্রাম ৮গী পেকেট ওইনা লাকই। মসি লৌ একর অমগীনি। কনাগুম্বনা লৌ শঙম অমদা পূন্না চাইবা থেংনৈ। ফৌ য়াম্না শোক্কনি। শঙমদা গ্রাম ৫ খক পম্প ৫ থোক্লগা চাইসি। ফৌ অহুনবা ওইরগদি নুমিৎ ২৫-৩০নি শুবদা ফৌনা খরা চাওরবা নাপিসু মনা নিংথিনা পাল্লবা মতমদা চাইবনা হেন্না ফৈ। ঈশিং চিথোক্লগা নাপি মনাশিং ঈশিং মথক্তা খরা য়াম্না থিনগৎহল্লগা কাপসি। অতৈ সিলেক্টিভ হীদাকসু অদু মঙাই।

৯) ২-৪-দি হায়রিবা হীদাক অসি তোঙান তোঙানবা মমিংদা লাকই। খুদম ওইনা এগ্রোদোন, ৱীদনাশ, ৱীদমার অসিনচিংবা। মখোয়গী হু য়াওবগী চাংসু খেন্নদা লাকই। লৌফমগা চাননা হীদাক কয়াম চাইগনি হায়বা অসি য়াম্নমক মরু ওই। ২-৪-দি দোজ হেল্লবসু ৱাৎলবসু অনীমক্তা পান্বী শোকই। মরম অসি লৈবনা হীদাক্কী মখুমদা থারিবা (%) অদু মুন্না য়েংবা তঙাইফদে। (%) অদু হু অদুগী এক্টিভ ইনগ্রেদিএন্ট (এ আই) হু মশক কয়াম য়াওবগে হায়বদুনি। হায়রিবা এ আই অসি লৌ পরি অমদা ০.২৫তগী ০.৫ কেজি এ আইদগী হেনবা য়াদে হায়বা লৈ। এ আই অসি ইশাগী লৌফমদা করম্না চপ চানা ফংনবা হীদাক কয়াম চাইগনি হায়বদু য়েংসি। মসি পুথোক্লবগী অরায়বা কাঙলোন অমা থমজগে। এ আই ০.২৫ ফংনবা অসুম্না হোৎকনি। মসিগী ফোর্মুলাদি চঙগদবা হীদাক মহি (দুকান দগী লৈরুরিবা মহি নৎত্রগা মপং, মসিবু হীদাক্তুগী ফোর্মুলেসন কৌই। - চঙগদবা এ আই X১০০/হীদাক্তা য়াওরিবা এ আই হোৎপগী খুদম অমা য়েংসি। এগ্রোদোন ১৮% (থারিবা এ আই) অসি লৌ পরি অমগীদমক ০.২৫ কেজি এ আই ফংগে হায়রবদি ০.২৫X১০০/১৮=২.৮ কিলো চঙগনি। শঙম অমগী পুথোক্কে হায়রগদি ৪না য়েন্থোক্লগা লোইরে। অসুম্না মহি ওইরবসু লিটর নৎত্রগা মিলিলিটর কয়া চঙগনি হায়বদু লায়না পুথোক্তুনা শোয়দনবা হোৎনসি। লাইরিক লাইশু হৈরবা ইচাশিং ইনাওশিং অখঙ অহৈশিং তান্নদুনা শোয়দনবা হোৎনসি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।